# য়েথোক্তুনা লাকখিবা নেসনল গেমস উত্তরখন্দনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লগনি

## নেসনল গেমসকীদমক শেমগৎ শাগৎলিবশিংদা আই ও এনা অপেনবা পোকখ্রে




ন্যু দেল্লি, মার্চ ৩১ ঃ
কুমজা ২০১৮ নৎত্রগা ২০১৯ দা নেসনল গেমস য়ূম্বু ওইগদৌরিবা উত্তরখন্দ গভর্ণমেন্টনা শেমগৎ শাগৎলিবশিংদা ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএশন (আই ও এ) না অপেনবা ফোঙদোকখ্রে।

উত্তরখন্দগী অনৌবা স্পোর্টস মিনিষ্টর আর্বিন্দ পান্দেনা ঙসি ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএশনগী সেক্রেটরি জেনরেল রজিব মহেতোগা উনদুনা হৌজিক হৌজিক নেসনল গেমসকীদমক শেমগৎ শাগৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা কূপ্না পাউদমখি।

মহাক্না হায়, মহাক হৌজিক উত্তরখন্দ গভর্ণমেন্ট অমদি স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকা য়াম্না নক্নবা মরী থমদুনা শেমগৎ শাগৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ঙাইহাক লৈতনা তাথোক তাশিন তৌরি।

হৌজিক ফাওবদা শেমগৎ শাগৎপগী থবক অসি য়াম্না খুমাঙ চাউশিল্লি। হৌজিক শেমগৎ শাগৎলিবশিং অসিগী চঙগদবা ৱর্ল্ড ক্লাসকী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং মতম চানা য়ৌহল্লক্নবা ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএশনগী মায়কৈদগী হোৎনগনি হায়না রজিব মহেতোনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবদা পাঙথোক্লিবা নেসনল গেমসশিং অসিগী মনুংদা উত্তরখন্দনা য়ূম্বু ওইগদৌরিবা নেসনল গেমস অসিনা খ্বাইদগী মশক থোকপা অমা ওইরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

স্পোর্টস মিনিষ্টর আর্বিন পান্দেনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক উত্তরখন্দদা স্পোর্টসকীদমক শেমগৎ শাগৎকদবা কয়া অমা লৈরি। উত্তরখন্দ স্পোর্টসতা হেন্না চাওখৎহন্নবগী পান্দমদা নেসনল গেমস অসি য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবনি। মরম অদুনা নেসনল গেমস ঙাইহাক লৈতনা য়েথোক্তুনা লাকপা কয়া ঐখোয়না মমাঙদা থেংনখ্রে।

উত্তরখন্দনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল গেমস মতম চানা হান্না লেপ্পখিবা মফম, মতম চপ চানা পাঙথোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরি। নেসনল গেমস পাঙথোক্কদবা শুপ্নগী চহী অমরোমতমক ঙাইরবনি। গেমস অসি উত্তরখন্দ গভর্ণমেন্টনা য়াম্না মায় পাক্না পাঙথোক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈ। অশেংবা অমদি লেপ্পখিবা সেদ্যুলগী মতুংইন্নদি ২০১৮ গী নেসনল গেমসকী এদিসন অসি হান্না গোৱাদা কুমজা ২০16 তা পাঙথোক্কনি তৌরম্বনি। মদুদগী য়েথোক্তুনা লাকখিবনা কুমজা ২০১৭ তা ছটিশগরদা অমুক পাঙথোক্কনি তৌরম্বদগী য়েথোক্তুনা লাকখিবনি।

গোৱাদা পাঙথোক্কদবা নেসনল গেমস থেঙ্খ্বাং কয়ারক্তা হন্না হন্না য়েথোক্তুনা লাকখিবা অসিনা লৈবাক অসিগী শান্নরোয়শিংদা অচৌবা নিংবা কায়বা কয়া থোকখ্রবনি। হন্না হন্না য়েথোক্তুনা লাকখিবা মরম্না নেসনল গেমস চহী ৪/৫ রোম পাঙথোকপা ঙমদনা লাকখিবনি। ৩৬ শুবা নেসনল গেমস অসি গোৱাদা হন্না হন্না য়েথোক্তুনা লাকখ্রবা মতুং চহীসিগী নবেম্বর অমদি দিসেম্বর থাদা পাঙথোক্নবা চীফ মিনিষ্টর মনোহর পরিকরদা ইকুই কুইদনা খঙহনবা লৈখ্রবনি। অদুবু হন্দক্কী চহী অসিদদি নেসনল গেমস গোৱানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা ঙল্লোই। মথংগী চহীদদি পাঙথোকপা ঙমগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোরকপদগী গেমস অসি য়েথোক্তুনা উত্তরখণ্ডদা কুমজা ২০১৮ নৎত্রগা ২০১৯ দা পাঙথোক্নবগীদমক শেম শানবগী থবক হৌখ্রবনি।

# সাইগী শান্নরোয়শিংদা চাইল্ড সেফটি অমসুং সেক্সুএল হরাসমেন্টকী মতাংদা এৱ্যার্নেস প্রোগ্রাম পীখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস):
স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনেল সেন্তর (এন ঈ আর সী) ইম্ফাল অমসুং সাই স্পিসিয়েল এরিয়া গেমস (এস এ জি), সেন্তর ওফ এক্সিলেন্স (সী ও ঈ) অমসুং এস এ জি উৎলৌগা পূন্না খূৎশম্নদুনা ঙসি নোংমগী ওইবা চাইল্ড সেফটি এন্দ সেক্সুএল হরাসমেন্টকী মতাংদা এৱ্যার্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

চাইল্ড সেফটি অমসুং সেক্সুএল হরাসমেন্টকী মতাংদা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱিমেন এক্সন ফোর দিভলপমেন্ট (ৱার্দ) কী সেক্রেটরি সোবিতা মংশাতাবম্না শরুক য়াদুনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা ৱা ঙাঙখি।

সাইদা লৈরিবা শান্নরোয়শিংদা য়াম্না কান্নরগদবা থৌরম অমা ওইখিবা চাইল্ড সেফটি অমসুং সেক্সুএল হরাসমেন্টকী থৌরম অসি ঙসি ইহান হানবা ওইনা খুমন লম্পাক্তা লৈবা সাই এস এ জি সেন্তরদা পাঙথোকখি।

থৌরম অসিগী হেক মতুংদা সাই এন ঈ আর সী ইম্ফালদা লৈবা সী ও ঈ অমদি সাই এস টি সী ইম্ফালদা পাঙথোকখি। ইরোই লোইবা ওইনা সাই এস এ জি উৎলৌদসু পাঙথোকখি।

ঙসি অয়ূক্তা সাই এস এ জি ইম্ফালগী ইন্দোর হোলদা পাঙথোকখিবা চাইল্ড সেফটি অমসুং সেক্সুএল হরাসমেন্টগী থৌরম অদুদা সাই এন ঈ আর সী ইম্ফালগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর লনমিনথাং, সেন্তর অসিগী ইন চার্জ দোর্নাচার্য এৱার্দি লৈশাংথেম ইবোমচা, সাইগী সেক্সুএল হরাসমেন্ট কম্মিটিগী কনভেনর এল মেমতোনবী, কম্মিটি অসিগী চ্যেরপার্সনগী থৌসু পুরিবা সাই এন ঈ আর সী ইম্ফালগী বোল্লিবোল কোচ বি রঞ্জনা অমসুং কম্মিটি অসিগী মেম্বর কে ঐচ সোরনলতানা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা সাই এন ঈ আর সী ইম্ফালগী এদিসনেল দিরেক্টর লানমিনথাংনা হায়, ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি শান্নরোয়শিংদা য়াম্না কান্নরগদবা থৌরমনি।

ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা সাই সেন্তরশিংদা পূন্না ত্রেনি লিশীং ১০ রোম লৈ। হায়রিবা মশীং য়াল্লবা ত্রেনিশিং অসি মতৌ করম্না মখোয়বু অশোয় অঙাম থোক্তনা হকচাং ফনা অমদি নুংঙাইনা থমগদগে হায়বা অসিনি। মসিগীদমক্তা নেসনল কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকা খূৎশম্নদুনা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মরম অদুনা ঙসিগী প্রোগ্রাম অসিনা ঐখোয়গী শান্নরোয়শিংদা য়াম্না কান্নবা পীরগনি হায়খি।

থৌরমদুদা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখিবী সোবিতা মোংশাতাবম্না হায়, চাইল্ড সেফটি অমসুং সেক্সুএল হরাসমেন্টগী মতাংদা ঙসি মফম অসিদা পাঙথোকপা অসি য়াম্না মতাং চাবা থৌরম অমনি। তুংগী য়ূম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা অমদি লৈবাক অসিবু মীংচৎ পুরক্কদৌরিবা শান্নরোয় কয়া লৈরিবা অসিগুম্বা মফমদা লাক্তুনা চাইল্ড সেফটি অমসুং সেক্সুএল হরাসমেন্টকী মতাংদা ৱা ঙাঙবা ফংবা অসি য়াম্না নুংঙাই।

ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিগী মরীক চুম্বা পাউদম পীরদুনা সোবিতা মংসাতাবম্না সাইদা লৈরিবা নুপা অমসুং নুপীমচা শান্নরোয়শিংনা তৌবা য়াবা অমদি য়াদবা কয়াগী মতাংদসু হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা সাই এস এ জি ইম্ফালগী শান্নরোয় ৩০০ রোম অমদি সেন্তর অসিগী কোচশিং, ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি।

# নুমিৎ ৩১ নি চুপ্না চথরকখিবা থাঙ-তাগী ত্রেনিং কেম্প লোইশিনখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস):
থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা এসোসিএশন্না শিন্দুনা মার্চ ১ দগী ককচীং খুনৌ বজারগী মান্দবতা চথরকখিবা নুমিৎ ৩১ নিগী ওইবা থাঙ-তা ত্রেনিং কেম্প ঙসি মায় পাক্না লোইশিনখ্রে।

থাঙ-তাগী ত্রেনিং কেম্প লোইশিনবগী থৌরম অদুদা হুইয়েন লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএশন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম প্রেমকুমার, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট ৱাই অমুমচা, এ সাগোর অমসুং কে ঐচ নেম্বনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

নুমিৎ ৩১ নিগী ওইবা থাঙ-তাগী ত্রেনিং কেম্প অদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয় পূন্না ৫৩ না শরুক য়াখি।

লমদমসিগী ইপা ইপুশিংনা থল্লম্বা মমল য়াল্লবা থাঙ-তাগী মহে অসি ঙসিগী মীরোলনা তপ্না তপ্না কাউথোরকপা অসি লাইবক থিবনি। মহে অসি মুৎখিদনবগীদমক অসিগুম্বা থাঙ-তাগী ত্রেনিং কেম্প অসিদা অচৌবা মতেং ওইরগনি। অসিগুম্বা কেম্প অসি তুংদসু লেপ্পা লৈতনা পাঙথোক্তুনা অফবা থাঙ-তাগী শান্নরোয় কয়া পুথোক্তুনা মহে অসি মীপুম খুদিংমক্না খঙনবা হোৎনসি হায়খি।

## শরুক য়াদনবা ৱারেপ্পখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩১ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিএশন কৌবা এপেক্স বোদি অমা শেমখিবগা লোয়ননা এসোসিএশন অসিগী নৌনা থৌ পুগদবশিংসু খনখ্রে।

হৌখিবা মার্চ ২৮ দা ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা ফমখিবা লমদমসিগী ভেটরান ফুটবোল ক্লব অমদি এসোসিএশনশিংগী ওইবা মীফম অমা ফমদুনা হায়রিবা এপেক্স বোদি অসি শেমখিবনি।

নৌনা শেম্লবা এসোসিএশন অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা এ টি ভি এফ এগী মেম্বর ঙাংবম ব্রজকুমারনা প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে। লোয়ননা লাক্কদৌরিবা ১৯ শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াদবা হায়না তোঙান তোঙানবা ভেটরান ক্লব ১৭ না ৱারেপ লৌখিবগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসি বোইকোট তৌরে হায়রি।

# ইন্দিয়না আই ও সীগী সেসন ২০১৯ পাঙথোক্নবা বিদ তৌখিবা অদু মায় পাকখিদ্রে



ন্যু দেল্লি, মার্চ ৩১ :
ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সী) গী ১৩২ শুবা সেসন ২০১৯ দা পাঙথোকচগে হায়না বিদ তৌখিবা অদু মায় পাকখিদ্রে।

য়াম্না লেমজনীংঙাই ওইরবা আই ও সীগী ১৩২ শুবা সেসন অসি কুমজা ২০১৯ দা ইটালিগী মমিং লৈরবা সিটি অমা ওইরিবা মিলন্দা পাঙথোক্লবা য়াই। ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএশনগী সেক্রেটরি জেনরেল রজিব মহেতোনা ফোঙদোকখিবদা করিগুম্বা প্রাইম মিনিষ্টর ওফিসনা ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটিগী সেসন অসি কুমজা ২০২০-২১ দা পাঙথোকপা পাল্লবদি ঐখোয়না বিদ তৌবা য়াই। ইন্দিয়ানা মমাঙদা ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটিগী সেসন অসি ন্যু দেল্লিদা কুমজা ১৯৮৩ দা পাঙথোকখ্রবনি।

অমরোমদা বুদাপেস, রাকো (পোলেন্দ), ব্রুসেল অমসুং ষ্টানবুলদা ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটিগী সেসন অসি ২০১৯ দা পাঙথোক্লনবগী অপাম্বা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

ইন্দিয়ন ওলেম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট, ভাইস প্রসিদেন্ট, ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটিগী ইগজিক্যুটিব বোর্দকী মেম্বরশিং হায়রিবা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিগী সেসন অসিগীদমক শরুক য়ানবা খনখ্রে।

ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটগী সেসন অসি চহী অমদা অমুকখক্তমক পাঙথোকই। নুমিৎ নীনি হুমনি চুপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা সেসন অসিনা করম্বা লৈবাক্তা ওলেম্পিক গেমস পাঙথোক্কদগে হায়বগী মতাং খন্নবগা লোয়ননা মালেমগী ওইবা শান্নবগী অচৌবা ৱাফম কয়াসু পুখৎতুনা খন্নগনি। মরম অদুনা হায়রিবা সেসন অসি য়াম্না মরুওইবা অমা ওইনা লৌনরিবনি।




HL-B/3662/28,30,1,3,5



Authorised Tata Motors Dealers
TIDDIM MOTORS :
Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 8014686437
*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.
HL-B/3779/23/32-24/4





